A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

নহারোলগী থৌদাং

দিসেম্বর তাং ২৫, ২০১৩ ইং পোইনুগী ২২ পানবা, য়ুমশকৈশ

## বোর্ডর ইশুগী মতাং

# ইন্দিয়ানা চেকশিনবা চুম্মী

*ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডরগা তায়নবা মোরেদা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট শারিবা মফম অদু ম্যান্মারগী লমনি হায়না দিমান্দ তৌবগা লোয়ননা ম্যান্মার ওথোরিটিনা শিল্লগা মীয়ামগী ওইবা য়ানিংদবগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। লৈবাক্কী ওইবা ইশুদদি ম্যান্মার গভর্নমেন্টনা মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎননবগীদমক্তা থৌরাং তৌই। মদুদা মীয়াম্নসু চপ চাবা কো-ওপরেসন পীদুনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা অকনবা খোল্লাওগা লোয়ননা অদুগুম্বা খোঙচৎতু চৎখিবনি। মতাংসিদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি মণিপুর গভর্নমেন্ট অনিমক্না খংগদবদি ম্যান্মার গভর্নমেন্টনা লৈবাক অদুগী ঙমখৈ নত্রগা বাউন্দরিগীদমক্তা মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎনবা হোৎনরি। ইন্দিয়ানা শারিবা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট অদু শাবা য়ারোই, মফম অদু মখোয়গী লমনি হায়না অকনবা মওংদা দিমান্দ তৌরি। অদুবু ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি মণিপুর গভর্নমেন্ট অনিমক্নদি লৈবাক অসিগী বাউন্দরি পীকশিল্লকপদা করিমত্তা নাচুংদবগুম লৈরি। ইন্দিয়ানা খারিবা বোর্ডর ফেন্সিংনা লমদম অসিগী ঙমখৈ পীকশিল্লক্লে হায়না লাওরুবা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা অশাওবা উৎতুনা য়েক্নবগুম্না য়েংবীরি। মতাং অসিদা লৈবাক অনিগী লৈঙাকলোন্দা কয়ামুক য়াম্না খেন্নরিবগে হায়বদু ইরাই লাইনা উবা ফংলে। ম্যান্মার গভর্নমেন্টনা মখোয়গী লমগীদমক্তা মীয়ামগা লোয়ননা পুন্না থোকমিন্নরক্তুনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরি। ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি মণিপুর গভর্নমেন্টনদি বাউন্দরি ফেন্সিংনা লমদম অসিগী ঙমখৈ পীকশিল্লক্লে হায়না লাওরিবা মীয়াম অমদি সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংবু মচিন মেনশিন্নবা হোৎনরি। অদু ওইবা তারগদি মিলিটরি জুন্টা গভর্নমেন্ট লৈরিবা ম্যান্মারগী মীয়াম্না ফংলিবা দেমোক্রেটিক রাইট অদুগা দেমোক্রেসি চৎলিবা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীয়ামনা ফংলিবা রাইট অসিগা অনি অসি কনানা হেন্না দেমোক্রেটিক ওইবগে হায়বদু ময়েক শেংনা তাকই।*

*হৌজিক্তি ম্যান্মারদা মিলিটরিনা শাসন তৌবা সরকার লৈবা তারগসু লৈবাক্তুদা লৈরিবা মীয়ামদা ফংফম থোকপা রাইট খরদি মপুং ফানা ফংহল্লি হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলি। মোরেদা শারিবা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট শাবা য়ারোই হায়না ম্যান্মার গভর্নমেন্ট অমদি মীয়াম অনিনা খুৎশম্নরগা চৎখিবা মপুং ফাবা রেল্লি অদুদা পেন্দ্রবা ম্যান্মার আর্মিনা নোংমৈ রাউন্দ খরা কাপ্লকখি হায়বসিমসু য়াম্না ময়েক শেংই। মদুদা ইনিদয়ান আর্মিনা মরুওইনা অসাম রাইফলসনা চেনশিনদুনা পোজিসন লৌখিবা থাগৎনিংঙাইনি। লাইবক ফবদগী লৈবাক অনিগী সিফাইশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোকমক থোকখিদবা তারগসু মতুংদা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বদুদি ঙসিগী ওইখিবা ফিভমদুনা ইফোং ফোংনা তাক্লিবনি। হৌজিক ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি মণিপুর গভর্নমেন্ট অনিমক্না খঙগদবদি লৈবাক অসিগী ঙমখৈ কৈদৌঙৈদসু কায়হল্লোইদবনি। ইপা-ইপু হাক্তক্তগী হৌনা লৈরক্লবা লমদম অসিগী ঙমখৈ ইন্দিয়ানা লৈঙাক শাসন হৈতবদগী পীকশিনহনখ্রে হায়বা ৱাফম অসি লৈবা তারগদি লৈবাক অসিগী ইতিহাসতা অমুবা মচুনা ইদুনা লৈহৌরগনি। লৈবাক অনি নুংশিনবা হায়বসি অমগা অমগা থাজনবদুনি। পৈশা থাদরগা, লম্বী শেমজিল্লগা, লানগী খুৎশু-খুৎলায় খর পীশিল্লগা হেক্তা অফবা মরী শাগৎলক্কদবা নত্তে। ইপা-ইপুশিংনা থম্লম্বা ঙমখৈ, ঐখোয়না মীনাই ওইরিঙৈ বৃটিশনা য়াৎলম্বা বাউন্দরিশিং অদু য়াম্না ময়েক শেংনা ঙাক্লগা শেন্নদুনা থম্বা হায়বসি লৈবাকসিদা লৈরিবা মীয়াম পুম্নমক্কী অপাম্বনি। ম্যান্মার (বর্ম্মা) না বৃটিশকী মখাদা মীনাই ওইরিঙৈ, ইন্দিয়া অমদি মণিপুরসু বৃটিশকী মীনাই ওইরিঙৈ মতমদা লৈবাকশিং অসিগী ঙমখৈ তোকখায় তোকখায় ময়েক শেংনা খন্দোক্লগা থম্লম্বনি। ম্যান্মারগী বাউন্দরি কদাই ফাওবনো, ইনিদয়াগী বাউন্দরিনা কদাই ফাওবনো অদুগা মনিং মখা তম্বা নিংথৌ পানজবা লৈবাক মণিপুরগী বাউন্দরিনা কদাই ফাওবনো হায়বসি বৃটিশনা ইন্দিয়া, মণিপুর অমদি ম্যান্মার থাদোক্তুনা চৎত্রিঙৈগী মতমদা ময়েক শেংনা থম্লম্লে। অদুবু ইন্দিয়ানা ম্যান্মার থেম্নবা হোৎনবদা মণিপুরগী কবো ভেল্লি পীথোকখ্রে। পেন্দবগী মৈচাক ওমদুনা চাক্লিবা মণিপুরীশিংদা অনৌবা মৈচাক অমা অমুক চাক্লক্নবা থৌরাং শিল্লগনু। হৌজিক খারিবা বোর্ডর ফেন্সিং অসি খুদক্তা শিদোক্তুনা ইন্দিয়াগী অমদি ম্যান্মারগী ঙমখৈ তশেং তশেংনা মশক খঙদোক্লবা মতুংদা বোর্ডর ফেন্সিংগী থবক চত্থবা চুমগনি।*

## এদিটরদা পীরকপা চিঠি

### থৌবাল কৈথেলদগী দি সি মমাং ফাওবগী এনঐচ অসি মৈ ঙালহনবীয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

থৌবাল কৈথেল অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী য়াম্না মরুওইবা অচৌবা কৈথেল অমনি। কৈথেল অসি ফাওরগা নেসনেল হায়ৱে ৩৯ গী লম্বী অমা লৈ। লম্বী অসি পুলিস ষ্টেসন, ডি সি ওফিস, এস পি ওফিস, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালনচিংবা ফাওরগা চৎলিবা লম্বী অমনি। দি সি ওফিস মমাংদগী খাঙবোক বজার ফাওবদি ষ্ট্রিট লেম্পগী পোষ্ট য়ুংই। ডি সি ওফিস মমাংদা ষ্ট্রিট লেম্প অমা অনিদং, এস পি মমাংদা ষ্ট্রিট অমা অনিদং, খাঙবোক বজারদা ষ্ট্রিট লেম্প অমা অনিদমক মৈ ঙাল্লি। মৈ লাক্তবনা মরম ওইরগা চাং নাইদে। অয়াম্বা মতমদা মমদুনতা লৈ। থৌবাল ৱাংমাতাবদগী ডি সি মমাং ফাওবা ষ্ট্রিট লেম্পগী পোষ্ট অমা ফাওবা য়ুংদে, মৈসু ঙালহন্দে। মতম চুপ্পদা মমদুনতা লৈরে। মসি থৌবাল প্রজামীয়ামগী করম্বা পাপ অমা লৈবননো হায়নরক্লে। থৌবাল কেন্দ্রদি মরাইবক ফবা কেন্দ্রনি হায়না মণিপুরগী মীয়াম্না হায়নৈ। থিকাগী ৱাখল, ৱানোম্বগী ৱাখলদা তাওরিঙৈদা লৈবাক মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংদা থওই ৱাওইদবগী ৱাখল থাদোকপীয়ু। থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলসু মরম চাদনা লৈকং থোং শাদুনা লৈরে। মৈ ঙালহনবগী ৱাখল পোক্লে। লম্বী অসি মৈ মম্বনা মরম ওইরগা সাইকল থৌবা, লম্বী চৎপা মীওই কয়া থেংগাইনদুনা খুদোংথিবা কয়া নংলে। ইকায় খুম্নজরিবা চিফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চংবিবা ঙমগনি। থৌবাল কেন্দ্রগী মীহুৎনি। প্রজাগী ৱাকৎ তাবিবা তাবিদবা হায়বদুনা সরকার অসিগী থম্মোয়গী বিচারনি।

অদোমগী
থোকচোম শ্যামকেশোর মৈতৈ
থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাই।

# ইজৎ লৈনা হিংনবা ঐখোয় পুম্নমক্না হোৎনসি

**অচুম্বতনা জয় ওই**

**সমাজসিগী শোখরবশিংদা কখোকচবা**

**কর্নেল ঐচ. শরত**

ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী দিসেম্বরগী তাং ২৩ অয়ুক পুং ৭.৩০, ঈ পাউ নৈনবগী মতাংদা ৱাফম খরা ইজরি। ঈ-পাউ লৈবাক্কী ওইবসিদি মীয়াম্না তাবদা কান্নবা ওইগদৌবা, পুক্নিং-লৌশিং ওইবা, মীয়াম্না খঙলমদবদু খঙহনবা ওইরকপা য়াবা অফবা মওংদু পীবিয়ু। ৱাখল ইখন খন্দনা তাবদা নুংঙাইতবা ৱাহৈ ৱাতা হায়বদি- ধমকানি, ধ্রপনি, কুইগদৌবা নত্তে, লোক সভা ইলেক্সন ফাওবা য়ৌরোই হায়বনচিংবসি তাবদা নুংঙাইজদে। দিল্লিগী মীগা মণিপুরগী মীগা হায়নিংঙাই লৈতনা খেন্নরি। দিল্লিগী মীনা মণিপুরবু ফজনা খঙদ্রি। মরমদি মণিপুরগী করপসনগী লেভেল অসি হায়নিংঙাই লৈতনা ৱাংলি।

দিল্লিগীদমক ঐখোয়না নিংদোন পোম্বা, কনানা চিফ মিনিষ্টর ওইগনি খন্নরগা মতম মাংদরা? দিল্লিদদি অফবা অহোংবা অমা উৎলি। পৃথিবীগী মীওই খুদিংনা ঙক্লি। মণিপুরদা অসিগুম্বা ইতিহাসিক ওইবা থৌদোকসি পুরকপা ঙঙ্গী চাংসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈতরি। চাওখৎলিবসি ঐখোয়রা? মখোয়রা? অফবা অহোংবা পুরকপসি মীওইবা ঐখোয়গী হৌনশানি।

সমাজ অসিগী চৎনবী অমা ওইনা মীবু থওইদবা, উশিৎতবগী মওংসি উৎপা, ৱাকাই ঙাংবা, খঙনা খঙনা খঙজিন্নদবা (মাগী মমিংদু করি হায়বা সাসোদিয়াগা হায়বরা) খঙদ্রবদি ঙাংদবনা ফরোইদরা? করেন্মবসি চাওখৎপা ৱাৎপগী খুদমনি। পোলিটিকেল পার্টিগী মরমদা কম্মেন্ট পীবসি পার্সোনেল ওপিয়নদু মীয়ামগী মোত ওইবা য়ারোই। ইশা ইশাগী মোততি, ইমুং মনুংদা অদুম থমসি। কম্মেন্টেটর অমগী মথৌদু ঐখোয়না করি করিনো হায়বদু খঙসি। মতিক চাবা ৱাখল খনবা মীওইশিংবু নিউজ কম্মেন্টেটর ওইহনবীয়ু। মণিপুর চাওখৎহন্নবা, ফগৎহন্নবা অশোয়বশিংসি শেমদোক্ল বা কম্মেন্ট পীবিয়ু।

ঐ মঙাইরে হায়রিবা সমাজ অসিদদি অঙকপগী অঙকপা ঙাক্তনি, ওইরিবা পুম্নমকসি। অসুম্না দি দি কে ইম্ফালসু অদু মঙাই। নিউজ পীরিবা মীওইগী শকওং শক্তমদি দি দি কেদদি য়াম্না দরকার ওইরি। উবদা, য়েংবদা নুংঙাইতবা শকওং-শক্তম খরা য়াওরি। দি দি কে দদি মায়থোং উৎলিবনিনা মাইথোংসু দরকার ওইরি। খল্লিবা মীওইশিংনা ৱাফম অসিসু কাওবীগনু। মপানগী মীওইশিংনসু মাইথোংশিংসি অসিগুম্বা মাইথোং ঙাক্তা ওইরমগনি খনখিবসু য়াই।

করি করিগুম্বা মতমদা ৱাখল অসি য়াম্না তোয়না মতমতা হংলকপা য়াওই। অদুদি, সংসার অসিদা ঐখোয় পুম্নমক জিব অমা ওইনা পোক্লগা পাঙথোক্লিবা থবকশিংসি য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা য়াওরি। জিবশিংগী মরক্তা ঐখোয়সি খ্বায়দগী অফবা, অশিংবা, জ্ঞান লৈবা, চাওখৎপা, ইকাইবা খঙদুনা ফিজোলনা কুপশিল্লিবা হকচাংনি। অসুক য়াম্না ফরে খনজরিবা ঐখোয়না জঙ্গলদা লৈবা জিবশিং, ফিশেৎতবা জিবশিংনা পাঙথোক্তবা থবকশিং ঐখোয়না ফত্তে খঙনা খঙনা পাঙথোক্লি। ঐখোয় অয়াম্বসি চুমদবা ওইদবা, নমথাক তৌই। পুকচেল শেংবা মী য়াম্না তাংই। মশানা মশাগী অশোয়বশিংদু খঙ্গজবা ঙমজদে। অতোপ্পবু ফত্তে হায়গনি। মশাগী অরানবদুদি অতোপ্পদা থংজিনগনি। ঐখোয় পুম্নমক করি করিগুম্বা মতমদা সংসারসিদা লাক্লম্বগী আর্থসি করিনো হায়বদু খঙ্গফম থোকই খনজে।

খ্বায়দগী ৱাখল য়াওদবদি ঐখোয় অয়াম্বনা ঙহাক ঙহাক্কী ওইনা অতোপ্পদা নমথাক তৌবসিনি। মণিপুর সমাজদদি অরানবা-চুমদবশিংগী স্বর্গ হায়বদু ওইরে। মণিপুর মচানা মোবাইল প্রাইজগদি করম্বা চহীদা ফংলকখিগনি? অফবা, চাওখৎপগী লমজেলদদি ঐখোয় য়াওবা ঙমদরে। সংসারগী ওন্ন-তৈনবা, চাওখৎতবা থবকশিংদা ঙাওদুনা লৈরে। নিশাগী সমাজ হায়বদু ওইরে। মণিপুর সমাজদা য়ু য়াওদবা, ধর্ম্ম-কর্ম্মগী থৌরম লৈশিল্লক্তরে। য়ু অসি থবক থৌরম অদুগী তঙাইফদ্রবা পোৎশক অমা ওইরকখ্রে। অসুম্না ওইরম্বা, মণিপুর সমাজ নত্তে। ওহোকপা সংসার হায়বদু ওইখ্রে। পাক হায়গৎপা ঙম্লরোই। ফত্তবদা লুপখরে।

চাওখৎপা লৈবাকশিংদা, নিতি নিয়ম লৈবা মফমশিংদা, ঐখোয় অয়াম্বা চৎলুরবা ঙাক্তনি। অদুবু খ্বায়দগী ঙক্লিংঙাই ওইবদি, অফবা চাওখৎপা থবকশিংদু মণিপুর হেক য়ৌরক্লগাদি "হুইনা দোলাই তোংলগা অমদু উরগা ফন হেক চোংথৈ হায়বগা চপ মান্নরি।" চাওখৎপা-অফবা থবকশিং মণিপুরদসু অদুম তৌবীয়ু। অফবা হায়বসিদি, য়েক্লবা ফাওবদগী তমগদবা পারানি।

দ্রগ ললোল্লগা, য়ু য়োলগা, নিশাগী করবার তৌরগা করম্বা মিংচৎ মতুংগী মীরোলশিংনা নিংশিংহৌগনি।? নিশাগী করবার তৌরগা তাজ মহলদগী হেন্না ফজবা য়ুম শারম্লবসু, করম্বা ইজৎ মীয়ামগী থম্মোয়দা থম্লগনি খনবিবরা? হুরাল্লগা চুমদবা থবকশিং পাঙথোক্লগা ইচা-ইশুশিংগী লন-থুমনি হায়না থম্লম্বা হৌনদে। অসুম্না মণিপুর সমাজসি য়াম্না লাপ্পা অৱাংবা মফমদগী য়েংথরকপদা মরু ইকোক কোক্লে। চীং-মান পুম্নমক পুমহাং হাংলে। লবুক-লমহাং অয়াম্বা করিসু থাদে। থবক কন্না শুবগী খুদম উদে। ইথক ইরাংগী ওইবা থৌদোকশিং য়াম্না উরি। অফবা থবকশিংগী মশিং য়ামদে। ফত্তবা থৌদোকশিংগী মশিংদি থিবা ঙমদরি।

দ্রগ ললোনবা ফারগৌদবা মীশিংনা দ্রগ ললোনবা ওইরকপসিদি নরক্কী লৈবাকসিদা ওইবা য়াবগী ৱাফমনি। মণিপুরদাহুরানবা থবকশিং পুম্নমক্কী মমিদা অচৌবা মীওই কয়ানা মরুদগী শৌগৎলি। মণিপুর অসি মাফিয়াগী লৈবাক ওহোকপীরে। গেংস্তর হায়বদি মাফিয়া হায়বদি দ্রগ ললোনবা মীওইশিংগী সমাজ ওইখ্রে। য়ুনিফোর্ম শেৎপশিংনা হুরানবা থবকশিংদা য়াওবীগনু। য়ুনিফোর্মগী ইজৎ য়োনবীগনু। পুন্সি অসি পৈশা নত্তে। পৈশাতনা ইজৎ ফংদে। ইজৎ হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী খ্বায়দগী হেন্না মরুওইবা পোৎনি। ইজৎ হায়বসি হুরানবশিংনা ফংগদৌবা নত্তে। ইজৎ লৈনা হিংবীয়ু।

মণিপুরদা থবক শুবগী ফিজোল শেৎলগালম্বী শরক, লৌবুক লমহাংদা মীয়াম ইউ উদে। মী অয়াম্বসি উসব -মেলাগী, চাবা থকপগী ফিজোলদা লম্বী সরকসি পীক থল্লি। হায়জনিংবা ৱাফমদি, মীওইবা ঐখোয়দি শুবা নোম্লগা হিংবা জিবনি। থবকসু য়াম্না কন্না শুদবা য়াদে। মসিগা লোয়ননা অশংবা অহাংবা মতমদা তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদবা থবক থৌরমশিং অদুসু পাঙথোকপীয়ু। অহানবদা থবক মথংদা পাঙথোক্তবা য়াদবা থবক থৌরমশিং মথং মনাও ওন্নরবা লম ওইরে।

মণিপুর সমাজ অসিদি য়াম্না অঙকপা সমাজনি। জ্ঞান মান তাদ্রিবা সমাজনি। ৱাখল য়াম্না খনবা মীওইশিংনা পিক থন্না লৈরিবা সমজরা?- নোংম-নোংমগী পুন্সিদা সমাজ অসি চহী কয়া লৈখিগনি? মণিপুর সরকার মণিপুর প্রজাগী য়াইফ-থৌরাং করি করি পায়খৎলিবগে? প্রজা অমা ওইনা মণিপুরগী চাওখৎনবা ফগৎনবা করি করি তৌরিবগে? মণিপুর অসি কদাই ফাওবা চাওখৎলে হায়বা য়ারিবগে? ঐখোয় কয়ানা মণিপুরগীদমক খনবগে? ঐখোয়গী কন্ট্রিব্যুসন অসি করিনো?

অনকপা মফমদা চৎকে হায়রবদি ইতোমতা চৎপনা থুনা য়ৌবা ঙমলি। অদুগা অরাপ্পা মফমদা চৎকে হায়রবদি, পুলপ চৎপনা ফৈ। ৱাফম অসি পুন্সিগী ওইবা ৱাফমনি। ঐখোয়গী পুন্সিগী থৌদোক-ৱাথোক পুম্নমক্তা ৱাফম অসিগা মরি লৈনৈ। অসুম্না থাইনগী পাওরোশিংবু হোংদোক হোংজিনগী মতম য়ৌরকলে। হৌজিক্কী য়ুগ অসিদি করম্বা ফিবমগী য়ুগনো হাইবা ঙমদ্রবা য়ুগনি। ঐখোয়না করিগুম্বা অমা, কনাগুম্বা অমদা অসুম্না হায়রুবদা করি অকাইবা, অশোইবা লৈরমগনি খনদনা পংঙাং হেক্তা ঙাংবা মশিং খংদনা থেংনরি। সমাজ অসি অফবা ৱাখল খনদবা সমাজনি।

কনাগুম্বা অমত্তদা ঐবু ওইরো মী অতোপ্পবু ওইরো নম-নমদুনা তোপিক ৬/৬ তা চহি অমা ইয়ু হায়বসিদি খরা ৱাংলি খঞ্জে। শোইরিবা সমাজ অসি ফগৎননবগী মরমশিংদুগী মরমদা ইবনা খ্বাইদগী অফবা তোপিকনি খনলি। থাইনগী পোলো, জাগোই ঈশৈ, পুং চোলোম থাং-তাগী কলচর অদুসু কাওদনা, মাইকৈ শোইরবা সমাজ অসিগী মাইকৈ চুমথোক্লবগী উপাইশিং থিবনা ফৈ খনজে। মণিপুরদা মতিং থোকনা ইবা ঙম্বা, ঙাংবা ঙম্বা অরানবা হায়বসি খরা ৱাংলি। অরানববু শৌগৎপশি লেপ্পসি। অচুম্বা মাইকৈদা চৎশি অচুম্বা থবকশিং পাংথোক্লমসি অইবা মী হায়বসি মাগী মাগী অনিংবদু অপাম্বদু মীয়ামদা পাওজেঞ্জবনি। অফবদু ইজবনি মীয়াম্না লৌবিবা নত্রগা লৌবিদবা হায়বদুদি মীয়ামদা লৈরে। মী অমনা মী অমবু করিশু লৈতনা পোৎ অমগুম্না উবা হৈশেৎ-হৈঙাংদৌনা তৌবা লমসিদা দি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী দি হ্যুমেন রাইটস দিক্লারেসননা করি পাঙথোকপা ঙল্লি? মীয়ামগী খ্বায়দগী মকোক ওইরিবা ফম্মাইবা ফাওবনা ষ্টেট এসেমব্লিদা ওইদবা ৱা ঙাংলিবা লমনি। মণিপুরদা মীওইবগী হিংবগী হক মাংখ্রে। মশা মশাগীদা নুংঙাইনবা হোৎনরিবা লৈবাকসিদা নুংশি চান্নবা জাতি মশেল লৈমিন্নবা হায়বসি খরদা নত্তনা য়াম্না ৱাগনি। কখোকপগী থম্মোই ইয়াও য়াওদে, লমদম অসিদা লৌশিনবগী, পেকহৌবগী, খোপচিনবগী সমাজনি। ইশম শম্না হায়জরবদা, সমাজ অসিদা ইজৎ তৌবা য়াবা মীসি ইয়াম য়াম্লন্দবনি। য়াম্না মুন্না থিজিল্লুবদা হৈবোং মনুংগী তিলগুম্বা মী ঙাক্তা হেক্তা ওইরবনি। শান্ন-খোৎনবদা মণিপুরনা পৃথিবীগী মকোক ওইরবসু দিসিপ্লিনদদি খ্বায়দগী মনিং ওইরি। স্পোর্টসনা তম্বীরিবসি দিসিপ্লিন অদুনি। মণিপুরগী নুপীশিংগী মরমদদি তোঙান্না টৌপিক খরা অদুম ইবা য়াগনি। মণিপুরদবু মাদর টেরেসা, ওং সান সিসুগুম্বী নুপী লৈবরা? অফবা নুপীসু য়াম্না তাংই।

মণিপুর সমাজদা য়াম্না নোক্নিংবা ৱাহৈ-ৱাতা য়াম্না তোয়না অদুম তারি। ঐ মঙাইরে, ঐঙোনদগী হেনবা কনাসু লৈতে হায়বগী ৱাখলসি খনবা-খনবী য়াম্না হিংলি। ঐখোয় ইমুংনা খ্বায়দগী মতিক চাবনি হায়বসিসু খনবা য়াম্না য়াওরি। ইমুং অদুবু করম্বা মওংদা খ্বায়দগী মতিক চাবনি হায়গদৌরিবনো? অতোপ্পা অমনা ঐখোয়গী শাগৈনা লৈবাক ঙাক্লি। করম্বা মওংদা লৈবাক ঙাক্লি হায়বদুদি খহুবরা? করম্বা মীওইনা লৈবাক্কী ফম্ম বাইবা ওইরি হায়বসি খঙনা খঙনা মীয়ামসি অরানবদু অদু পাঙথোক্লি। উন-উনা অমাংবদু অদুম নেৎলি। ঙাওরিবসি কনানো? প্রজা মীয়ামসিরা? নত্রগা মীয়াম্বু মীনম্লিবা মীওই অমখক্তুরা? হুরানবা, মীনম্বা ফম্মাইবগা খঙনৈ চান্নৈ হায়রগা মীয়াম্না ব্যাবহার তৌবা সমাজ ওইরি। অঙকপদি নত্তরা? লাপ্পা লৈবনা লেম্মী।

ফিদা থাদবা ইমুংদা খক চংবা হৌনদে। ফনা য়াম্না ইনাক খুল্লি খনজৌ। অচৌ অশাংগী ইমুংসু ওইজসনু। মণিপুরদদি ঐখোয় পুম্নমক লোয়নমক ইখঙ খঙনবা ঙাক্তনি। লমচৎ শাজৎ লুদবনা হেল্লবনি। খঙলবসু খঙজিন্নদবগী ৱাদনি। করিসু কান্নদে, করিসু লৈতবা মীশিংগী মরমদা থিজিল্লুদনা। মণিপুর সমাজসিগা ফত্তবদা মান্নবা সমাজদদি পৃথিবীসিদা লৈরম্লোই।

পুন্সিগী তেনখ্বাবা মতম অসি নোংম-নোংমগী লোয়খিবা ঙাইরগা লেনবা পুন্সিদু ওইবীগনু। ঐখোয় পুম্নমক্না মণিপুরগী করিগুম্বা খরদা ওইরবসু তৌরমগে খনবীয়ু। খুবাক খুবা ভাবোক ওইবীগনু। সমাজগী ষ্টেজদা কাখৎলগা করিগুম্বা অফবা খরদা ওইরবসু পাঙথোক্লবা হোৎনবীয়ু। অফবা থবক পাঙথোকপগী ষ্টেতস হায়বদি অচৌবা অশাংবা লৈতে। মীচম ঐখোয়না সমাজ শেল্লিবনি। মফম মরাং খঙদ্রবা ফম্মাইবশিংনা মণিপুর শেম্বা নত্তে। নুংতিগী অফবা থবক খরদা ওইরবসু পাঙথোকপীয়ু। নোংমগী পাঙথোক্লিবা রুটিন অদুতনা পুন্সি ওইদে। অহেনবা, অফবা থবক অমা অনি অহুম-মশিং খঙদনা থবক তৌবা য়াই। অফবা থবকশিং মশিং খঙদনা পাঙথোকপীয়ু।

সমাজ অসি ফগৎহনবা ঐখোয় পুম্নমক্কী অফবা ইথৌ চংই হায়বসি কাওবীগনু। মন্নিবা সমাজ অসিদা মঙাল খরদা ওইরবসু পুরকপা ঙম্নবা ঐখোয় পুলপনা হোৎনসি। শুব-নোম্বা হায়বসিদি ঐখোয় পুম্নমক্না হিংলিবমখৈ হোৎনদ্রবা য়াদ্রবা থবকনি। মীরেম ওইরোইসি।

# মাংলোমদা চংশিনসি

**উশম ধরমেন্দ্র**

**ইমা লৈপাক্কীদমক্তনি**

ঙসিগী পৃথিবীগী লৈমায়দা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী চাউখৎপগী লমজেল কন্না তানখৎলক্লি লৈবাক অমা চাউখৎহনবা হায়বসি লৈবাক্তুগী শুবা নোম্বগী হৈনবী ৱার্ক কলচরগী মখা পোল্লি। লৈবাক অমগী ৱার্ক কলচর লৈহনবা হায়বসিসু লৈবাক অদুগী লুচিংবা লৈঙাকপা মপী মপাশিংগী মখা য়াম্না পোল্লি। হে শিংবা য়াম্না চংই। ঙসিদি ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা থবক শুফম নোম্ফম খঙদবা লাইরিক লাইশু নিংথিনা হৈরবা অৱাংবা মহৈগী সার্টিফিকেট পায়বা মীওই কয়া লৈরি। মশাগী শিনফমগা চান্নবা থবক ফংবা ঙমদবা মদুদগী থোরকপা খোইরাং খোইশাউনবা তংদু লৈতাবা কয়ানা মহৌশাগী পুন্সি মহিংদা অকায়বা কয়া থোকহল্লি। অদুগা অমরোমদা প্রজাশিংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎনবা হিংবগী থাক ৱাংখৎনবা মীয়ামগীদমক্তা লৈরিবা সরকারনা মতম মতমগী ওইবা থবক থৌরম কয়া য়াম্না পায়খৎলবগে অমদি শেম্বা ঙমজরিবরা অমদি ঙমজগদৌরিবরা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংগী থিবা য়াবা পাউখুমনি। মণিপুরদা লাইরিক হৈবা থবক ফংদ্রিবা মীওইগী মশীংসি ঈশিং ঈচাউগুম্না হেনগৎলক্লি। মখোয় খুদিংমক সরকারগী মায়কৈদগী তলব চাবা থবক পীবা ঙম্বা নত্তে হায়বসিদি অচুম্বনি। অদুদি মীওইশিংসি লম্বীদামশা মশানা অপিকপা মখলগী ইন্দষ্ট্রি মচা মচা লিংখৎপা তাই। পোথোক-চাথোক পুথোকপা তাবনি। দুকান ফম্বা, হোটেল ফম্বা, শা-ষন, ওক-য়েন লোয়বা গাড়ী ৱার্কশোপ তৌবা, লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা থবক কয়া তৌবা তাবনি। অমরোমদা মণিপুরগী ঈশিং নুংশিৎ অসি থোইনসু শাদবা থোইনসু ইংদবা লৌউ শিংউবদসু য়াম্না পক্ন বা শুবা নোম্বদা হকচাংদা চোকথবা লৈগন্দবা মফমনি। অদুনা হিংনবগীদমক্তা লাইরিক লাইশু হৈরবা অমদি থবক ফংদ্রিবা নহরোলশিংদা সরকারগী হ্বাইট কলর জোব ঙাইবগী মহুত্তা মশানা মশাবু থবক পীজবগী মায়কৈরোমদা নিংথিনা চংশিনবা তাবনি।

অমরোমদা ঐখোয়না য়েংবা য়ারিবদি মণিপুরদা পব্লিক সেক্তরগী য়ুনিটশিং চলাইবা ঙমদনা শিরি। মখোয়শিংদুগী মরক্তা উখুলগী হুন্দুংগী সিমেন্ট ফেক্টরি, খানশারিগী চিনিগী ফেক্টরি, লোইতাং খুনৌগী স্পিনিং মিলসু য়াওরিবনি। প্রোজেক্ট প্লান নিংথিনা তৌদবা উদ্যোগ কয়া মণিপুরদা শিরি। অমরোদা মণিপুরগী ইয়োংফি পৃথিবীদা মমিং চৎলি। অচৌ অচৌবা মেলাশিংদা মপানগী মীওইশিংনা য়াম্না পাম্না লৈনৈ। মণিপুরগী হাউফি অমদি মোইরাং ফিজন হকপা ইনফি অসি য়ুরোপ অমদি অমেরিকাগী মীওইশিংনা য়াম্না পাম্না লৈনৈ। অদুবু মণিপুরদা ঙসি ইচে ইচনশিংনা ফিশারগা য়োনফম লৈতে। ময়াং দুকানদার শেঞ্জাও পায়বশিংনা মমল তানা তানা লৌবী। অদুনা নোংঙানবদগী নুমিৎতাবা ফাওবা থুন নাবমখৈ, খোঙখুৎ চোকথবমখৈ খ্বাং নাবমখৈ শারগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল তান্না পুরকপদু শেন্দোংদি খরখিত্তা মফংই। অদুনা লাইরিক লাইশুগী সার্টিফিকেট পায়হৌবা কাঙবুদি সরকারগী থবক মচা অমত্তা ফংহৌরবসু হায়দুনা অঙম অথৌ উনবা খা-ৱাং খঙদনা চেন্নরকই। মরুপ হৌরগা অহানবা শেল লৌরগা শেন্দোই শানবী তৌবনা হেন্না থৱাই য়াওরকই।

অমরোমদা লন্নাই মীওইশিংনা লিংখৎচবা উদ্যোগ মচা মচাশিংনা পুথোকপা পোৎ কয়া মপান্দগী থাজিল্লকপা পোথোক ময়ামগা লম্বানবা ঙমদে। অসুম্না শাপোন শাবা, হৱাই চম্পল শাবা, পাফর শাবনচিংবা উদ্যোগ মচা কয়া হিংবা ঙমদে। অদুনা মণিপুরগী শিংথানরবা মমিং চৎপা ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট পুথোকপা ৱারি। মণিপুরগী নহাশিং থিকাদা সপ্লাইদা ঙাওনরি। অদুবু পুম্নমকসি লৈদুনসু মপানগী কারবারৱালাশিংনা মোনোপোলি তৌদুনা লমদমসিগী উদ্যোগ কয়াগী পোথোক কয়া মার্কেট ইন্টর তৌবা ঙমহন্দনবা হোৎনরবসু তোঙান তোঙানবা সেল্ফ হেল্প গ্রপশিংনা অমদি লান্নাই মীওইশিংনা শাবা পোথোক কয়া নিংথিনা মীয়াম্না তোঙানবা মিকচর অচাপোৎশিং, হৈরো, মরুমরাং স্পাইসেসশিংগী পোথোকশিং মীয়াম্না হেন্দোক্না পাম্নরবা ঙাক্লি।

নাকল অমরোমদা লমদমসিদা থম্মোই শেংনা খাঙবা কনবগী ঈহুলগা লোয়ন্না থবক তৌজনিংবা ইন্টরপ্রিন্যুর কয়াদা পীবা য়াবা মতেং কয়া সরকারনা পীবীদে। পিথরিবা মশানা মশাবু থবক পীজনবগী শেঙ্গং ময়ামসিবু হাবী জাবী তৌদুনা মশাগী মেরিট য়েংলগা চানবা শিনফমদু মায়পাক্না পায়খৎচরুরো হায়দুনা পীববু কয়াম য়াওরমগনি। হিদাক তৌনবা থিবদবু ফংগদরা। অচৌ অশাং সাহেব-মেমসাহেব

... হৌজিক হৌজিকমক কুমগী লৌ লোকপা হেক লোইবগা হাংদুনা লৈরিবা ইশা ইশাগী লৌবুকশিং অসিদা মতমগা চান্নবা কোবি, হঙ্গাম, আলু, হৱাইনচিংবা কয়া পাকশন্না থাবা য়াই। মীয়াম পুম্নমক থোং মান্নবা পোৎ চৈ এঞ্জাং নাপী থারবদবু শেল তিংনা শম্বল খাদ্রবসু য়ারে, লৌ পাল্লিঙৈ মতৌ অদুগুম্না। শুবা নোম্বা কনবদগী ঙসি অপিকপা লৈবাক ওইজরবসু পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাওদা মাং তাকখ্রবসু জাপান চাউখৎপদা মমিং চৎলিবনি। ....

ময়াম মথং মথং থেংনবদা খরা খরা খিকথহৌবা ময়ামদুনা চৎখ্রগা লেমহৌরিবা খরদু লৌদুনা নুংঙাইথোক্লিংবসু য়াওদবা নত্তে। করিগুম্বদা লেমহৌরিবা খরদুনা মহাক্না পায়খৎচগে খঞ্জবা প্রোজেক্টতু মপুং ফানা পায়খৎপা ঙমলক্তে। লোন শিংগত্তবশিংনা মশীং য়াম্লকপদগী বেঙ্কশিংনা শেল থাদনিংলক্তে। মদুনাতুংদা লাকপা মীওই কয়াগী লম্বী কক্লকই। মসি ঐখোয়গী নহারোলশিংগী লাইবক থিবনি। পুম্নমকসি লৈদুনসু হোৎনবা তাবনি। মখুক্তা মমিৎ পাল্লি হায়নরিবা ঐখোয়না তুফক তুফাই চন্দুনা লৈগদবা নত্তে।

হৌজিক হৌজিকমক কুমগী লৌ লোকপা হেক লোইবগা হাংদুনা লৈরিবা ইশা ইশাগী লৌবুকশিং অসিদা মতমগা চান্নবা কোবি, হঙ্গাম, আলু, হৱাইনচিংবা কয়া পাকশন্না থাবা য়াই। মীয়াম পুম্নমক থোং মান্নবা পোৎ চৈ এঞ্জাং নাপী থারবদবু শেল তিংনা শম্বল খাদ্রবসু য়ারে, লৌ পাল্লিঙৈ মতৌ অদুগুম্না। শুবা নোম্বা কনবদগী ঙসি অপিকপা লৈবাক ওইজরবসু পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাওদা মাং তাকখ্রবসু জাপান চাউখৎপদা মমিং চৎলিবনি। ঙরাংতা শেমখিবনি হায়বা য়ারিবা ইজরেলনা হোৎনবা কনবা লৈবাক ওইবনা পৃথিবীদা মচিন তুমখৎলক্লি। শা-ষন নিংথিনা লোইবা লৌউ শিংউবগী থবক ফজনা পায়খৎপনা ঙসি পিক্লবা লৈবাক ক্যুবানা মরোমদোম চাউথোকচনা হিংবা ঙল্লি। পুম্নমক অসিনা মরম ওইদুনা প্রজাশিং শুবা নোম্বগী ৱার্ক কলচর লৈবগা লোয়ননা সরকারনা নিংথিনা তেংবাংবীবগী তঙাইফদবা লৈ। মরম অদুনা সরকারনা মতম মতমগী ওইনা পায়খৎপা স্কিম কয়াগী শেঙ্গং পীথবদা মীচং মীখাই নাইদনা থবক তৌগদবা অমদি লৈত-লাইরা য়েংদুনা পীগদবনি। লৈবাক মীয়ামগীদমক্তা সেবা তৌগে চোংথোকপিরক্লিবা লুচিংবশিংনসু ঐগী মাগী হায়বা ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা পুন্না পাক শন্না প্রজাশিংদা মীৎয়েং থম্বীগদবনি। পব্লিক সেক্টরগী য়ুনিটশিং লিংখৎপদা নিংথিজনা প্রোজেক্ট প্লান তৌবীগদবনি। মীচম প্রজাশিংনসু সরকারগী মতেং ঙাইদুনা লৈবগী মহুত্তা ঐখোয়না তৌবা য়াবা থবকশিং হেক্তা হৌগদবনি। মসিনা মতম অমদা মীপান তাংদনা হিংলম্বা ঐখোয়গী সনালৈবাক্কি শক্তম অদু মথন্তা তপ্পা তপ্পা হনজিলক্কি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঐখোয়না কাউফম থোক্তে অনাবা মীগীদি নুমিৎ খুদিংগী সুতি ওই হায়বদু নোম্বা কল্লবদি নুংঙাইরক্কনি। নুংঙাইরবদি শান্তি, চাউখৎপা হায়বদু মশানা অদুম লাকচগনি। মদুতনা পুরক্লি পুন্না হিংমিন্নবা নুংঙাই য়াইফবা মীনা মীবু লৈতবা মান্নবা খুন্নাই অমা। অদুগুম্বা মান্নবা খুন্নাই অমা ফংননবগীদমক্তা ঐখোয় পুম্নমক লিংজেল মান্নমা মতেং পাংননা মাংলোমদা চংশিনমিন্নবা তাই।